


১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি মীখলদা ককচিং এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এক্স এম এল এ সুরচন্দ্রগী মন্দল কম্মিটি অমদি পোল্লিং কম্মিটিশিং শেম্বগী থৌরম এক্স এম এল এগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা




খুরাই এসেম্বলি কনষ্টিট্যুন্সিদা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা আর পি আই এনা পার্টি অসিগী মীরেপ অমা ওইনবা অয়াবা পীরক্লে হায়দুনা মীয়ামদা কে ঐচ খম্বনা ফোঙদোকখিবা




১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ ইলেক্সনগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিসীগী কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি ঈ ও/দি সী এল বিক্রমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ফঙ্কসন তৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংগা লোয়নননা কনফরেন্স পাঙথোকখিবা



ইম্ফাল ৰেষ্টকী সী জে এম য়েংখোম সোমোরজিৎ এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লৈখিদবগী অফ-ফত্তা পূম্নমক লন্বী শেল্লিবা কনষ্ট্রক্সন কম্পেনিনা পুগদবনি হায়না ককচিং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

# স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): নেসনল স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যুশিংগী মতাংদা অপূনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস), মণিপুরনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা লৈরিবা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিনবা হায়জখ্রে।

এইমসকী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা হায়রিবদি, নেসনল স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটি লিংনবগী মতাংদা সর্বনন্দা সোনোৱালনা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্ট্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতম কুমজা ২০১৪গী জুন ৮দা এইমস মণিপুরনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা প্রোপোজেল অমা পীশিনখি। মণিপুরদা স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটি লিংনবগী প্রোপোজেল অদু চহী অদুমক্তদা এপ্রুভ তৌরকখি অমদি মতম অদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লুপা ক্রোর ১০০গী শেনফমসু সেঙ্কসন তৌরকখি। মসিগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৭দা মণিপুরদা নেসনল স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটি অমা খুদোল তন্বীরকখি অমদি কুমজা ২০১৮গী মার্চ ১৬দা উরেপ তমখি। অদুমওইনমক, লাইবক থীবদি হান্নগী মফম অদুবু অকক্লবা মীওই খরগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকখি।

মসিদসু নত্তনা কোর্স অহুম হায়বদি বেচেলর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস, বেচেলর ওফ সাইন্স ইন স্পোর্ট্স কোচিং অমসুং স্পোর্ট্স সাইকোলোজি হাংখি। স্পোর্ট্স ন্যুট্রিসনগী কোর্স অমসু হাংনবা হোৎনখি অদুবু, সিলেবস অদু মপুঙ ফাবা ঙমখিদে। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি সিল্লেবস কম্মিটিগী মেম্বর মরিগী মনুংদা অনীদি মরী লৈনবা ইরমদা চানবা বেকগ্রাউন্দ লৈতবা অসিনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা রেগ্যুলর ষ্টাফ অমত্তা লৈতে। লৈরিবা ষ্টাফ খুদিংমক কোন্ত্রেক্টতা ঙাক্তনি, অদুগা খরা অমনা দেপ্যুটেসনদা লৈবনি। ষ্টাফ খরদি মীওই খরনা মশাগী ইমুং মনুংগী ওইবা এপোইন্ট তৌখি। রেগ্যুলর ফেকল্টি অমত্তা লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়রদা কায়হল্লে। আর সী মিশ্রা কৌবা রিটায়ার্দ আই এ এস ওফিসর অমবু য়ু জি সীগী রেগ্যুলেসনগী মতুং ইন্না রিক্রুট তৌদনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী হাপখি। মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্ট্সকী এদভর্টিসমেন্ট এন্নেক্সরগী মতুং ইন্না মিশ্রা অসি মথৌ তাবা ক্বালিফিকেসন অমসুং এক্সপিরিয়ন্স লৈতে। অদুগা মিশ্রানা মহাক্কী ওফিস ইম্ফালগী লম্ফেলদা লৈরগসু থবক অয়াম্বা ন্যু দিল্লীদগী তৌরকই। য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট, এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল, একাদেমিক এন্দ এক্টিভিটি কাউন্সিল, দিপার্টমেন্টল বোর্দ ওফ স্পোর্ট্স ষ্টডিজ অমদি স্কুল ওফ বোর্দ ওফ ষ্টডিজনচিংবা তঙাইফদবা ওথোরিটিশিং অমত্তা লৈতে। য়ু জি সীগী গাইদলাইন মতুংইন্না হায়রিবা ওথোরিটিশিং অসি য়াওদনা য়ুনিভর্সিটিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমদে হায়রি।

প্রো. জয়াশ্রি অচার্যানা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিন ওইরম্মী। মহাক অসি স্পোর্ট্সকী বেকগ্রাউন্দ লৈবা প্রোফেসর অমনি। মহাক দিন অমা ওইনা থোইদোক্লা মতীক চাবা ক্বালিফিকেসনশিং লৈ। অদুবু প্রো. জয়াশ্রি অচার্যানা ছুটি লৌরিঙৈ মনুংদা ভুরিলবু থা তরুক্কী ওইনা দিন খনখি। হৌজিক্লা ডা. শ্যাম সুন্দর রাথনা দিন ওইরে। মহাক অসি এসোসিএট প্রোফেসর অমনি। অদুবু মহাকসু ফুল-টাইম ইমপ্লোয়ি অমা নত্তে, অমদি পোজিসন অসিগীদমক মহাকসু ইলিজিবল ওইদে হায়রি।

মেমোরেন্দম অসিনা মখা তারদুনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক থাদরকপা বদজেটপু ভী সী অসিনা য়ুটিলাইজ তৌদে। মসিগী শেনফমশিং অসি কুমজা ২০১৭দগী হৌনা য়ুটিলাইজ তৌবা ঙমদনা লাক্লি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা অচৌবা শেনফম সেঙ্কসন তৌরক্লবসু চহী অমগী লুপা ক্রোর ৫ ফাওবা য়ুটিলাইজ তৌবা ঙমদে।

নেসনল স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটিগী অচৌবা পান্দম অমা হায়রগদি ইন্টরনেসনল গেমশিংদা শরুক য়াবা অমদি গোল্ড মেদলশিং লৌরকপা হায়বসিনি। লৈরিবা ৱাথোকশিং অসিবু মখোঙদগী হৌনা শেমদোরকপনা প্রোব্লেম অসি সোল্ব তৌবা ঙমগনি। মরম অদুনা হীরম অসিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা ৱাথোকশিং অসিবু লোইশিনবিয়ু হায়নসু মেমোরেন্দম অসিদা পল্লি।

## শৌগৎপশিংনা সকিরবু জে দি য়ুদগী রিজাইন তৌহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): সেকমাইজিন হঙ্গুনদা লৈবা এম দি সকির অহম্মদ (ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাবগাই এ সী)কী য়ূমদা মহাকপু শৌগৎপা মীওইশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখিবগা লোয়নননা জে দি য়ুবু মণিপুরগী লৈমায়দা থোইদোক হেন্দোক্লা মশক তাক্লম্বা সকির অহম্মদপু জে দি য়ুদগী খুদক্তগী রিজাইন তৌহনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না সকির অহম্মদ, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাবগাই এ সী ইলেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সকির অহম্মদপু ইন্দিপেন্দেন্ট ওইরবসু ভোট থেংনহন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনবা হায়নসু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখি। লোয়নননা জে দি য়ুগী টিকেট পীবগী থৌওংবু য়ানিংদবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## 'য়ুনিয়ন বদজেট-২০২২ অসি মীয়ামদা তৌবা নমথাক অমনি হায়না লৌই'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পোৎচৈগী মমল ৱাংখৎলকপগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরিঙৈ অমদি মতম শাংনা লৈরক্লিবা কোরোনা পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা থবক ফংদবা অমদি থবক তৎপগী খুদোংচাদবা হেনগৎলকপা, শেন্থোক লন্বী লৈতবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা অমদি মতীক চাবা হেল্থক্যের, এদ্যুকেসন অমদি নুংঙাইনা হিংনবগী মচাকশিং লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা পুথোরক্লিবা বদজেট অসিদা হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসিগা মরী লৈনবা ময়েক শেংবা টর্ম অমত্তা য়াওদে হায়রদুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট, মণিপুর (য়ু এফ এম)না য়ুনিয়ন বদজেট-২০২২ অসিবু মোনোপোলিষ্টশিংগী য়েংলগা শেম্বা মীয়ামদা তৌবা নমথাক অমনি লৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এফ এমগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা মীয়াম অসিগীদমক দাইরেক্ট কেস ট্রান্সফর নৎত্রগা মসিগা মান্নবা অতোপ্পা গরেন্টিদ ইনকম স্কিমশিংগী খুথাঙদা মখোয়গী ফিভম ফগৎহন্নবগী প্রোপোজেল অমত্তা য়াওদে। মসিদসু নত্তনা টেক্স সরচাজ'সু চাদা ১২ ওইরম্বদগী চাদা ৭দা হন্থখিবা য়াওনা কোপোরেটশিংদা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীশিনবগা লোয়নননা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ক্রিপ্টোকরেন্সিবুসু লৈঙাক অসিনা ওফিসল ওইনা রেকগনাইজ তৌখ্রে। গভর্ণমেন্ট অসিনা সেক্টর অয়াম্বদা প্রাইভেট প্লেয়রশিংগী রোলবুসু হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা পি পি পিগী খুথাঙদা হেনগৎহল্লি।

তশেংনা, প্রো-কেপিটেলিষ্ট অয়াম্বগী থৌওংবু লোৎশিল্লিবা বদজেট অসিনা মীয়ামদা চাউনা নমথাক তৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# য়ুনিভর্সিটিশিং পংলিংদা লিংখৎপনা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্কদবা নত্তে: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): মীশিং য়ামখিদ্রবা মণিপুরগুম্বা পীকখ্রবা লম অমদা য়ুনিভর্সিটি মশিং য়াম্না হেনগৎলকপা অসি লমদম অসিদা হায়র এদ্যুকেসন সেক্টরদা খুমাঙ চাওশিল্লকপগী খুদম্নি হায়না লৌবসু য়াই। অদুবু য়ুনিভর্সিটিশিং পংলিংদা লিংখৎপনা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্কদবা নত্তে হায়না মীতৈ (মৈতৈ) ট্রাইব য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন) লোইতোংবম সোনামনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম অমদদি গৌহাটি য়ুনিভির্সিটি হায়খ্রবদি লোইরে। মণিপুর মচা পূম্বা মেট্রিক, পি য়ু সী, বি এ, এম এ পূম্বা গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী পাস তৌনরম্মী। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ১৯৮০দা হেক লিংখৎলকপদগী গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী ৱারীদু তোকখ্রে। হৌজিক্তি মণিপুর মশাগী ওইবা য়ুনিভর্সিটি ময়াম অমা লৈজরে, ক্বালিটি লৈনা মথৌ তৌবা তৌদবা হায়বদুনা তোঙানবা অমা ওইরে। গভর্ণমেন্ট য়ুনিভর্সিটি ৭ (সেন্ত্রেল ৪, ষ্টেট ৩) অমদি প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি ৫ পূন্না য়ুনিভর্সিটি ১২ শুজিল্লক্লে।

মসিগী মথক্তা আর্ট্স অমদি সাইন্স, কমার্স, লো, ফাইন আর্ট্স, এম আই টি, নৈলিট, পোলিটেক্লিকনচিংবা ইনষ্টিট্যুট কয়াসু লৈরি। অতোপ্পা, হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পাম্নরিবা জোব প্রোস্পেক্ট য়াম্না লৈবা কোর্স হাংবা ইনষ্টিট্যুসন কয়া অমসু মথৌ তাদবদি নত্তে। লাক্লিবা ৱাফমদি লমদম অসিগী ওইনা তঙাইফদনা লৈফম থোকপা মতমগা চূনরবা কোর্সশিং অদুদি লৈরব্রা হায়বা ৱাহং অমসু থোরক্তবা নত্তে। মতাং অসিদা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিং মীরমদা মহৈ-মশিন তম্বা য়াম্না চৎনরিবা অসিগী মরমসু নৈনদবা য়ারোই। মীরমগী কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনবা নংনবা হায়দুনা ঐখোয়গী মণিপুরগী এগজাম রিজল্ট হায়দোক্লরিবা অসিনা মণিপুরদা লাইরিক তম্লবদি মী ওইররোই, কম্পিটিভ এগজামশিং মায় পাকপা ৱাননি, হায়নবা, খন্নবা য়াওরক্লিবা অসিদি করি করি মরমগী ওইগনি অমদি মসিগী থৌদাংদি কনা-কনানা পুগনি।

ট্যুসন তৌদ্রবদি, কোচিং চৎত্রবদি লাইরিক তমদবগুম খন্নরক্লবা মতম অসিদা মীরমদা লাইরিক মখা তমথবা থাবা ঙমদ্রবদি মমা-মপাদু মচা শেম্বদা থৱায় কয়া য়াওদ্রবগুম্নসু লৌনরকপগুম্বা অমসু কন্না উনরক্লি। মপান্দা মহৈ তম্বা য়াম্না চৎনরিবা হৌজিক মতমগী অনৌবা কোর্সশিং অসি করি-করিনো হায়বসি ফজনা নৈনথোক্তুনা হায়রিবা কোর্সশিং অদু মণিপুরদসু ফংহন্নবা শিনবিবদি কৈদৌই। মসি কনানা তৌগনি।

প্রাইভেট স্কুলশিংগুম্না য়ুনিভর্সিটি ময়াম অমা লিংখৎহল্লগা করিবু কান্নগদৌরিবনো হায়বা খনবগী মতম ওইরে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি হান্না সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওন্দ্রিঙৈদনা হেন্না ফরম্মী হায়না এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খিবদু ৱাহন্থোক য়াম্না চেল্লি। চৈরকসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরসু সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওন্নবা কন্না হোৎনরি।

নৌনা লিংখৎলক্লিবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদা নেসনল স্পোর্ট্স য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি অহুম অসি লমদমসিগী খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাবা মহৈরোয়শিংগা চানবা অৱাংবা থাক্কী য়ুনিভর্সিটিনি হায়না লৌই। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনসু হায়রিবা য়ুনিভর্সিটিশিং অসি অথুবা মতমদা মপুঙ ফাবা, মালেমগী থাক্ত পুখৎপদা লেমজফম ওইবা য়ুনিভর্সিটি অমমম ওইনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু য়ুনিয়ন অসিনা লৈঙাক্কী পুকনিং চিংশিল্লক্লি।

| | | | |
|---|---|---|---|
| | | | **G.**<br>i. Unlawful activities<br>**H.**<br>i. Waging, or attempting to wage war, or abetting waging of war, against the Govt. of India;<br>ii. Conspiring to commit offences punishable by Section 121 IPC<br>iii. Unlawful activities |
| | b. | Case no. | **A.** FIR No. 12(01) 2016 City-PS U/S 147/149/188/353/336/120-B/511 IPC<br>**B.** FIR No. 11(01) 2016 City-PS U/S 147/149/188/353/336/120-B/511 IPC<br>**C.** FIR No. 7(1)2016 City-PS U/S 147/149/511/427/34 IPC & 3-PDPP Act 1984<br>**D.** FIR No.156(8) 2016 HNG-PS U/S 147/149/151/353 IPC<br>**E.** FIR No. 299(7) 2015 IPS U/S 454,/384/353/427/34 IPC<br>**F.** FIR No.56(7)2002 HNG-PS U/S 379/34 IPC<br>**G.** FIR No.233(4) 1996 IPS U/S 13 UA(P) Act<br>**H.** FIR No. 7(1)1996 IPS U/S 121/121-A IPC & 13 UA(P) Act |
| | c. | Name of the Court | **A.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Police closed the case - Returned in FR and submitted to the Hon'ble Court of CJM, IW Vide FR No. 39/ City PS/2018 dtd. 27/04/2018)<br>**B.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Police closed the case - Returned in FR and submitted to the Hon'ble Court of CJM, IW Vide FR No. 38/ City PS/2018 dtd. 27/04/2018)<br>**C.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Police closed the case - Returned in FR and submitted to the Hon'ble Court of CJM, IW Vide FR No. 40/ City PS/2018 dtd. 27/04/2018)<br>**D.** Chief Judicial Magistrate, Imphal East (Police closed the case - The case was submitted on FR vide FR No. 37/HNG-PS/2016 dated 31/08/2016 as "Insufficient evidence"<br>**E.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Police closed the case - Returned in FR and submitted to the Hon'ble Court of CJM, IW Vide FR No. 9/ IPS/2021 dated 04/03/2021) |
| | | | **F.** Chief Judicial Magistrate, Imphal East (Police closed the case - the case was submitted on FR vide FR No. 05/HNG-PS/2004 dated 30/01/2004, as "No clue & undetected")<br>**G.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Police closed the case - Returned in FR and submitted to the Hon'ble Court of CJM, IW Vide FR No. 390/ IPS/98 dated 13/11/98 and Memo No. 1251/IPS/98 dated15/11/98)<br>**H.** Chief Judicial Magistrate, Imphal West (Pending) |
| | d. | Whether charges have been framed or not (Yes/No) | A to H - No |
| | e. | Date of conviction, if any | A to H - Not applicable |
| | f. | Details of punishment undergone, if any | A to H - Not applicable |
| | g. | Any other information required to be given | A to H - Not applicable |
| 2. | The reasons for the selection of the candidate. Selection shall be with reference to the qualifications, achievements and merit of the candidate, and not mere "winnability" at the polls (not more than 100 words) | | He has been elected thrice from the Thangmeiband Assembly Constituency. He is very popular among the people of his constituency. His attendance and performance as an MLA in the 11th Manipur Legislative Assembly was excellent. Overwhelming majority of the workers of our party believe that he is a dedicated and dynamic social worker who has done a lot of developmental work in his Constituency and have asked our party leadership to field him as our candidate from 9- Thangmeiband Assembly Constituency. |
| 3. | Reasons as to why other individuals without criminal antecedents could not be selected as candidates (not more than 100 words | | We believe that he has been falsely implicated in all the cases. No charges have been framed and in almost all the cases, the concerned police station has sent closure report to the concerned Court. Our party workers believe that the above cases are cases of political vendetta. |

Name of Office Bearer M. Dorendro Singh
Designation: Secretary General

HL-B/7455/4